# ম্যুজিয়ম অমদি আর্কাইভ অসি মীওইবগী সিভিলাইজেসন খঙহনবদা মতেং ওইরিঃ খেমচান্দ

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৬(এস এন এস)ঃ

ম্যুজিয়ম অমদি আর্কাইভস হায়বসিনা মীওইবা খুন্নাইগী সিভিলাইজেসনগী মরমদা খঙহনবদা মতেং ওইরি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম অমদি আর্কাইভস অসিদা লৈরিবা য়ামখিদ্রবা দোক্যুমেন্ট খরা অসিনা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংদা মণিপুরগী মরমদা খরমখৈ খঙহনবা ঙম্লে হায়না মণিপুর লেজিসলেসিটভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল সেন্টর ফোর দি আর্ট, নিউ দিল্লিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম এন্দ অর্কাইভসকা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা চখগদবা নেসনেল ৱার্কশোপ ওন রি ওর্গনাইজেসন ওফ ম্যুজিয়ম ষ্টোরেজ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভস অসি মপুং ওইনা মহাক্না স্পিকর ওইরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টদা ষ্টদি টুর চৎপা মতমদা পার্লিয়ামেন্ট ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভস অসি উরুবদা ষ্টেট অসিদসু হৌনিংবগী ৱাখল ফাওরকখি।

ৱাখল্লোন অদু হৌদোকপদগী ষ্টাফশিংনা মতেং পাঙদুনা মসিগী ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভস অসি হাংদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, এসেমব্লি ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভস অসিদা হৌখিবা নুমিৎ নীনিরোমগী মমাঙদা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংগী এম্বেসেদর ৯না য়েংবা লাকখি।

ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইভস অসিদা লৈরিবা য়ামখিদ্রবা দোক্যুমেন্ট খরা অসি উবা মতমদা মখোয়দা মণিপুর অসি মতম অমদা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্বী হায়বসি খঙবা ঙমখি। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মরমদা মপান লমগী মীয়ামদা খঙহনবদা মতেং ওইগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, ম্যুজিয়ম অমদি আর্কাইভস অসি মীওইবা খুন্নাইগী সিভিলাইজেসন অসি নৈননবা মফম অমা ওইনা ওইরিবনি। মরম অসিনা মসি য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি হায়খি।

থৌরম অদুদা আই জি এন সি এ, নিউ দিল্লিগী কঞ্জার্ভেসন দিভিজনগী এসোসিয়েট প্রোফেসার অমদি হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা. আচল পান্দ্যনা হায়, ম্যুজিয়ম ষ্টোরেজগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা প্রোব্লেম কয়া লৈরিবা অসি অনৌবা নত্তে। মসিগী ইশু অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ফাওবা নৈনদুনা লাক্লবনি।

মালেমগী ওইনা লৈরিবা ম্যুজিয়ম ষ্টোরেজ অসিগী চাদ ৬০দি মওং মরিল তানা থমদে। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি মওং মরিল তানা থমদবা তারবদি মসিনা মচাকশিং অদু মাঙনিঙাই ওইহল্লি।

ম্যুজিয়ম অমদা লৈরিবা স্পেসিমেনশিং অদুগী চাদ ৯০ দগী ৯৫ ফাওবদি ষ্টোরেজদা থম্মী। শুপ্নতগী চাদ ১০ নৎত্রগা ৫ রোমখক্তমক মীয়াম মমাঙদা থেন্দুনা থম্মী।

স্পেসিমেনশিং অদু নিংথিনা থম্বা অসিনা ম্যুজিয়ম অমগী থৱায় ওইরিবনি। মসি মওং মরিল তানা থমদবা মতমদা পোৎলম খুদিংমক মাঙনিঙাইগী মচাক ওইহল্লি। অয়াম্বা পোৎলমশিং অসি মওং মরিল তানা কনানসু থম্নদে হায়খি।

ম্যুজিয়ম ষ্টোরেজ অসি মপুং ওইনা রিসার্চরশিংগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা রিসোর্ছ অমা ওইরিবনি। ষ্টোরেজশিং অদু মওং মরিল তানা থম্বা মতমদা পোৎলম অমা থিবদা লায়হল্লি, মওং মরিল তাদবা মতমদা মদু থিবদা মতম চংহল্লি হায়খি। মরম অসিনা ষ্টোরেজগী থবক অসি মপুং ফানা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এদিস্নেল সেক্রেটরী কে মেঘজিৎনা থৌরম মপু, দাইরেক্টর মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ৱাই সমরেন্দ্র সিংহ, য়ুনিভর্সিটি ওফ বারোদাগী ম্যুজোলোজিগী থবক্তগী পোত্থারবা প্রোফেসার সঞ্জয় জেনসু ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা বি জে পিনা মণিপুর মীয়াম্বু চমম্নবা পোকহল্লে ঃ কোংগ্রেস

ইম্ফাল,নবেম্বর ২৬(এস এন এস)ঃ

সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা বি জে পিনা মণিপুর মীয়াম্বু চমম্নবা পোকহল্লে। মখোয় মশেলগী মরক্তা পাউ ফাওনদবা মতৌ ময়েক শেঙনা উখোক্লে হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা এম পি সি সিগী মেদিয়া পেনেলিষ্ট অমদি লোক সভা মীখলদা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইখিবা হান্নগী চীফ সেক্রেটরী ও নবকিশোরনা পাউমীশিংদা হায়, সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌরকপা মতমদা লমদম অসিগী কলচর, আইদেন্টিটি অমদি পোলিটিকেল রাইট অসি মাঙখিগদ্রা খনলিঙৈদো বিল অসিগী মতাংদা বি জে পিনা মণিপুর মীয়াম্বু চমম্নবা ফিভম অমদা থম্লে।

মহাক্না হায়, লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোইসু ওইরিবা এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা সি এ বিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা শোকহল্লোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনসু চপ মান্নবা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা লোক সভাগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননদি সি এ বিনা মণিপুরবু শোকহন্দনবা ক্লোজ অমা হাপহন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা মুভ তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরি।

হান্না চীফ মিনিষ্টরনা মসিগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লম্বদগী মদু তোক্লগা সি এ বিনা মণিপুরদা শোকহল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রবা তুংদা এম পিনা অমুক ক্লোজ হাপ্পগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লি।

বি জে পিগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাওনদবগী মমি অমা য়াম্না চাউনা তারি। লোয়ননা মানা মানা হায়নিংবা ৱাফম ফোঙদোক্লরি। মসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা চমম্নবা পোকহল্লে হায়খি।

মহাক্না হায়, চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ২ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া অসি ওপন দিফিকেসন ফ্রি ওইরে হায়না লাওথোকখ্রে।

স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা খুঙ্গং অমদি সিতিগী এরিয়াদা মফম খুদিংমক্তা তোইলেট শাদুনা শিজিন্নবগী থবক পায়খৎপগী প্রোগ্রাম অমা চঙশিনলক্লি।

নেসনেল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিসনদি লাওথোকখিবা ৱাফম অসিদা অরানবা য়াম্না য়াওবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি। খুঙ্গংগী লমদা তোইলেট চাদ ৯৫ শাখ্রে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফোঙদোক্লবসু সর্ভেগী রিপোর্টতনা চাদ ৭১ খক্তমক শাবগী রেকোর্দ লৈ।

মরুওইনা তামিলনাদুদা খুঙ্গংগী লমদা তোইলেট লৈতবা অসি চাদ ৩৭ ওইরি, ঝারখন্দদনা চাদ ৪২, গুজরাটতনা চাদ ২৫দি তোইলেট লৈতে হায়না পীরি। গুজরাটতি কুমজা ২০১৭তা ও দি এফ ষ্টেট লাওথোকখ্রবনি।

বি জে পি লৈঙাক্না ক্লেম তৌবনা অমা ফিল্ডদা লৈবনা অমা তৌদুনা লৈরি। মসিমক্না মীয়ামদা চমম্নহনবা অমদি অচুম্বা অসি লোৎশিন্দুনা থম্নগী ফিভম অমা লাকহল্লে।

লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা চনম শন্দ্রোক্তা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ষ্টেট অসিদা ইকোনোমিক ষ্টেব্লিটি লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা ঙরাংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি য়াম্না ফরে। লোয়ননা জি দি পি অসি চাদ ৮ হেনগৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাওনদবগী ফিভম অসিনা মীয়াম্বু চমম্নহল্লে হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা থবক্তগী পোত্থারবা আই এ এস অমদি মেদিয়া পেনেলিষ্ট এম পি সি সি এ আর খাননা হায়, লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা কৈরাও এসিগী মনুংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফুরুপ মমিং পন্দনা ফুরুপ কাঙলুপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থিবনি।

সি এ বিগী মতাংদা ফুরুপ কাঙলুপ খুদিংমক্না য়েলহৌ মী কন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তক্লদুনা লৈরিঙৈগী মতম অসিদা ফুরুপ কাঙলুপ মরক্তা ৱাখল তামিন্নদবা থোকপা য়াবা, য়েংথিনবা থোকহনবা য়াবা অমদি ফুরুপ মশেল মরক্তা শিংচেপ থাবা য়াবা ৱাঙাঙ ঙাঙলকপা অসিমক লাইবক থিবনি হায়খি।

হান্না এম এল এ অমা কারম্বদগী হৌজিক মরি মঙা কারক্লে হায়রিবা অসি হান্না মীশিং য়াম্লমদবদগী মমিং পন্দবা ফুরুপ অদু ইল্লিগেল ইমিগ্রেসন হেনগৎলকপদগী এম এল এ মশীং হেন্না কারক্লে হায়নিংলিব্রা হায়বদু এম পিনা শোদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরি হায়খি।

# হুস্ফুতরামথোইশুবা কনষ্টিট্যুসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর জুদিসিয়েল একাদেমি, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুর, হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর হায় কোর্টকী ওদিটোরিয়মদা ৭১ শুবা কনষ্টিট্যুসন দে পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর, মণিপুর হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস লানুলুংকুম জামির, মণিপুর হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস কে ঐচ নোবিন সিংহ, মণিপুর হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস এম ভি মুরালিধরন, মণিপুর জুদিসিয়েল একাদেমি (এম জে এ) গী দাইরেক্টর মুতুম বিনোয়কুমার, এদভোকেট জেনরেল মণিপুর এন কুমারজিৎ সিংহ, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী ভাইস চিয়ারপার্সন থৌদাম সোভনা দেবী, হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বী নামোইজম অমসুং ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম নিলচন্দ্র সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা সুধাকরনা হায়, ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন অসি ১৯৪৯ গী নবেম্বর ২৬ তা শেম্লবা মতুংদা ১৯৫০ গী জনুৱারী ২৬ তগী চৎনবা হৌখিবনি। ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন অসি শেমখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা ১৯৭৯ দগী হৌদুনা ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা নবেম্বর ২৬ খুদিংগী নেসনেল লো দে হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখবনি। অদুম ওইনমক কনষ্টিট্যুসন অসিগী মরু ওইবা অসিবু মশক খঙবা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ২০১৫ গী নবেম্বর ১৯ দা নোটিশ অমা থোক্তুনা নবেম্বর ২৬ অসি কনষ্টিট্যুসন দে হায়না মিং ওম্থোক্তুনা নিংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

লোয়ননা, লিগেলগী লমদা থবক তৌরিবা লো খঙলবা মীওইশিংনা লোবু রেস্পেক্ট তৌদুনা লৈবাক মীয়ামদা অচুম্বা ফঙহন্নবা হোৎনসি। অমদি লৈবাক মীয়াম্নসু লৈবাক অসিনা ঐখোয়গী করি তৌরিবগে হায়বগী মহুত্তু লৈবাক্কীদমক্তা করি তৌবা য়াবগে হায়না খন্থদুনা ইং চিকপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দি এম মহৈরোইশিং খোঙজং লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

কোলেজ ওজাশিং থা অসিগী ২০ দগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থখিবদগী দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতা পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী ক্লাসসু লেপখ্রে। ৱাফম অসিনা মরী লৈনবশিং অমদি ওজাশিংগী মরক্তা নবেম্বর ২৮ ফাওবগী মনুংদা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা নবেম্বর ২৯ দগী ক্লাস চত্থবীয়ু অমদি করিগুম্বা তুমীন্না লৈশিল্লবদি মহৈরোইশিংনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না পি জি ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন দি এম আর্টসকী সেক্রেটরী লৈশাংথেম নোংলেম্বনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, হৌজিক দি এম য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা ওজাশিং অসি য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ওইনা রিকোগনাইজ তৌদ্রিবা অসি মরী লৈনবশিংনা অথুবদা য়াশিন্নদুনা মতীক চাবা ওজাশিং থাবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মহারাষ্ট্রগী সি এম দেবেন্দ্র ফদনাভিজ ফম ...

*লমায় ১গী মখা...* এন সি পিগী লুচিংবা সরত পৱারনা লাউথোকখ্রে।

ঙরাং মুম্বাইদা লৈবা হোটেল অমদা পার্টি অহুম অসিগী অপূনবা এল্লাইয়েন্সতা শৌগৎলিবা এম এল এশিংগী পেরদ অমা মেডিয়াশিংগী মমাঙদা পাঙথোকখি। মদুদা এম এল এ ১৬২ লৈ হায়বা উৎখি। এম এল এ ১৬২ অদুগী মনুংদা শিব সেনাগীনা ৫৬, এন সি পিগীনা ৫৪ অমসুং কোংগ্রেসকীনা ৪৪ য়াওরি। অতৈ এম এল এশিংদি অপীক অপীকপা পার্টিদগী কারককখিবশিংনি। হৌজিক মহারাষ্ট্রদা এম এল এ ১০৫ লৈবা বি জে পিনা মপূং ওইবা ওপোজিসন ওইহৌরগনি হায়রি।

মহারাষ্ট্রগী এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েংনবা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অদু বি জে পি অজিৎ পৱারগী এল্লাইয়েন্সতা শাফু পীবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই রনদ্বিপ সিংহ সুর্জেৱালানা মখোয় অনীবু মীয়ান্না পীবা মেন্দেট হায়জেক্ট তৌবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এন সি পি লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা জয়ন্ত পাতিলনা সেনাগী লীদর ইকনাথ সিনধে অমদি কোংগ্রেসকী পৃথিবীরাজ চৱানগা লোয়ননা রাজ ভবনদা চৎতুনা এম এল এ ১৬২ লৈরে হায়বগী চে পীশিনখি।

# ফম্লানবগী মরাল লৈরে...

*লমায় ১গী মখা* ... মরী লৈননা অশিবগী থৌরম চৎলিঙৈদো মী লৈতবগী তাঙ্গা লৌদুনা মতম অদুদা চহী অহুম মখায় রোমদা ঙাইহরিবী মহাক্কী মচানুপীদা একুজ অদুনা ফম্লানখিবনি। ৱাফম অদু মহাক্কী ভিক্টিম ওইরিবী মচানুপীনা মবুক নাই হায়মনবদগী ডোক্তরদা পুখৎনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা মচানুপীনা শেৎলিবা খোঙ্গাও অদুদা নুপাগী ফম্বী তৈরম্বা থেংনখি লোয়ননা ডোক্তরনসু পেনেট্রেটিভ সেক্সুচুয়েল এসল্টস চত্থখিবগী খুদম লৈরে হায়না রিপোর্ট তৌরকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিক্টিমনা ৱারী পূম্বা লিথোরকপদগী একুজ অদু য়ুন্নাম নাওচানি হায়বা খঙবা ঙমখি। লোয়ননা পুলিসনা পোক্সো এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎতুনা ফাগৎলবা মতুংদা নবেম্বর ৯ দা কোর্টতা পুথোকখি।

কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসার ৱুইমেন সব-ইন্সপেক্টর কে ববিনা দেবীনা কোর্ট অসিদা কুমজা ২০১৭ দা একুজ অদুগী মথক্তা চার্জশিট থাঙ্গৎপগা লোয়ননা ট্রাইয়েল চত্থদুনা লাকপনি।

ট্রাইয়েল চত্থরকপা চৈরক অদুগী মনুংদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ভিক্টিমগী অপোকপা য়াওনা ৱিটনেস কয়াগী ষ্টেটমেন্ট অমদি পুলিস অমসুং ফোরেন্সিক সাইন্সকী রিপোর্টশিং পুথোকখি। অমরোমদা কাউন্সেলগী মায়কৈদগীসু দিফেন্স ৱিটনেস কয়া পুথোকখি।

নাকল অনীমক্কী হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না য়ুন্নাম নাওচা মরাল লৈরম্বদগী কোর্ট অসিনা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬ কী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা নবেম্বর ২৯ দা সেন্টেন্স হিয়ারিং চত্থনবা মতম লেপখিবনি।

# নুংশি হায়দুনা অয়াবা য়াওদনা য়ূমদা মিনি জূ শেমগৎপা ...

*লমায় ১গী মখা...*

পাউ অসিনা হায়রিবদি মিনি জু শেমদুনা তোঙান তোঙানবা শা উচেকশিং ফাজিন্দুনা তন্লিবা লৈকোলশিং অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী মপুশিং অসিগী মথক্তা ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৭২ গী মথক্তা চৈরাক ফঙবা য়াই।

ৱাইল লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৭২ গী অন্দর সেক্সন ৯, ৩৫ এন্দ ৪৯এ এন্দ ৪৯ গী মতুং ইন্না মশাগী কান্ননবগীদমক অমদি লন্নাই ওইনা লন্নক্কী শা উচেকশিং ফাজিন্দুনা থম্বা অসি য়াদে অমসুং অন্দর সেক্সন ৫১ এক্টকী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা শা উচেকশিং ফাজিন্দুনা থম্লবদি জেলদা চহী ৩ থম্বা য়াই নৎত্রগা ফাইন ওইনা ২৫,০০০ থিহনবা য়াই নৎত্রগা জেলদসু থম্বা ফাইনসু থিহনবা য়াই হায়রি।

লোগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা গার্দেন মপুশিং হোস্পিটাল মপুশিংনা শা উচেকশিং ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসিদা লৈঙাক খক্তনা নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা শা উচেকশিংবু নুংশিজবা, কনবা পাম্বা ৱাইল লাইফ কা মরী লৈননা লমদম অসিগী ওর্গনাইজেসনশিংসু ঙসি ফাওবা ৱা অমত্তা ঙাংদনা লৈবসি শা উচেকশিং গীদমক্তা লাইবক থিবনি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টসু ৱাইল লাইফকা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিংসু তোঙান তোঙানবা মীওই শিংনা ফারকপা শা উচেকশিং লৌখৎলুবা অদুগা লো গী ৱাংমদা ফাজিন্দুনা থম্লে হায়বসু খঙলিবা মফমশিং অসিদগী ঙসি ফাওবা শা উচেক লৌখৎখিবগী পাউ তাদ্রি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎপগী মমি তাদ্রি।

# ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি বিজিনেস কনসোরতিয়ম অমদি ফিসরি ফ্রেশ দোট কোমনা শীন্দুনা লৌমীশিংদা ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আই সি টি) অমদি ইলেক্ট্রোনিক নেসনেল এগ্রিকলচর মার্কেট (ই-এন এ এম) এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি এপ্লিকেসনগী মতাংদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুঠ হোষ্টেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ কনজ্ঞাবেটর ওফ ফোরেষ্ট টি ঐচ মুহেন্দ্র প্রতাব, আই সি এ আর নোর্ত ইষ্ট মণিপুর সেন্ট্রেল লম্ফেল পাৎকী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট (সিদ টেক্নোলোজি) ডা. আই মেঘচন্দ্র, মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি বিজিনেস কনসোরটিয়মগী প্রোজেক্ট কো ওর্দিনেটর এম দি খাইদেম, কে ভি কে থৌবালগী হেদ ডা. জেসরামনি সরাংথেম্না য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

# মীৎ লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬(এস এন এস)ঃ ২শুবা আসাম রাইফল অমদি সিজা আই কিয়ার ফাউন্দেসন অনীনা খূৎশম্নরগা লেম্না মীৎ চেক অপ তৌবা অমদি কেটেরেক্ট সর্জরিগী কেম্প অমা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাটতা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা খুনজাশিং অমদি আসাম রাইফলগী ক্রুপ য়াওনা পুন্না মীওই ১০০ রোমদা মীৎ চেক অপ তৌবা অমদি কেটেরেক্ট শর্জরি তৌবগী খুদোংচবা পীখি হায়রি।

# ইন্টর্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মণিপুরী সিনেমাগী তাঙলবা মচাকশিং উৎলি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ

গোৱাগী পনাজিমদা নবেম্বর ২০ দগী হৌনা পাঙথোক্লিবা ৫০ শুবা ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই) দা অহানবা ওইনা মণিপুরী সিনেমাগী তাঙলবা মচাকশিং উৎলি। থৌরাং অসি সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ানস এসোসিয়েসন (কাটা) না ফেষ্টিভেল অসিগী কো ওর্গনাইজের ওইরিবা ইন্টরটাইনমেন্ট সোসাইটি ওফ গোৱাগী তেংবাঙগা লোয়ননা তৌখিবনি।

ফিল্ম ফেষ্টিভেল অদুগী চেমপেল গ্রাউন্দদা লৈবা ষ্টেট পেভিলিয়নগী ষ্টোলদা উৎলিবা মণিপুরী সিনেমাগী মচাক-মথুমশিং অদুগী মনুংদা অরিবা ভিনাইল এল পি রেকোর্দশিং, ফিল্মগী পোষ্টরশিং, ফিল্ম ব্রোচরশিং, অরিবা ওন স্ক্রিন অমদি ওফ স্ক্রিন ফোটোগ্রাফশিং, মণিপুরী সিনেমাগী মরমদা ইবা লাইরিকশিং য়াওরি। ট্রেভেল ব্রোচরশিং, পোষ্টরশিং, মণিপুর টুরিজম কোর্পোরেসন অমদি ইনফোর্মেসন পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙবা বুকলেট অমদি অতৈ পব্লিকেসনশিংসু মণিপুরবু গ্লোবেল প্লেটফোর্মদা শক্তাকপা ওইনা ষ্টোল অদুদা উৎলি।

ইন্টর নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা লৈবাক ৭৬ তগী ফিল্ম ২৫০ হেন্না উৎলি। লোয়ননা ইন্দিয়ান পনোরামা সেক্সনদা ইন্দিয়াগী ফিচর অমদি নন ফিচর ফিল্ম ২৬ সু উৎলি। নবেম্বর ২৮ দা লোইশিনগদৌরিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা লৈবাক কয়াদগী সেলেব্রিটি ৫০০ য়াওনা দেলিগেট লিশীং ১২ হেনবনা শরুক য়ারি।

মণিপুরগী ষ্টোল য়েংবা লাকখিবশিংনা মণিপুরদা ফিল্ম নম্লীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপগী মথক্তা মণিপুরী ফিল্মগী এক্টরশিংসু মপানগী ফিল্মশিংদা নেম্লিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

# সি এ বি অসি বি জে পি না হিন্দু বাংলাদেশ মচাশিং পুশিন্নবা হোৎনবনি ঃ হিরেন গোহাইন

গুৱাহাটি, নবেম্বর ২৬ঃ

বি জে পি না লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা মেজোরিটি ওইরবনিনা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল শোয়দনা এমেন্দ তৌনবা হোৎনরক্লগনি। মখোয়না বাংলাদেশিশিং পুশিল্লক্নবা থৌরাং পূম্নমক তৌরি। বি জে পি না রিজনেল ওর্গনাইজেনশিংবু নমথনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা কনষ্টিট্যুসনেল ওইদবা, ইথিক্স য়াওদবা অমদি মোরেল য়াওদবা বিল অসিগী মায়োক্তা পুন্না থেংমীন্নবা মতম ওইরে হায়না অসামগী ফোরম এগেনষ্ট সিটিজনসিপ এক্ট এমেন্দমেন্ট বিলগী চিয়ারমেন হিরেন গোহাইননা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা হিরেন গোহাইননা হায়, ঐখোয়না বিল অসি করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা ঐখোয়না সি এ বি অসি লমদম অসিগী নাৎ চৎনবী অমদি শক্তমদা লোনা কিহনবা ওইবনা মসিগী মায়োক্তা অদুম লেপ্পুনা লৈগনি। মসিনা ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী স্পিরিটতসু শোকহনগনি। ঐখোয়না অসিগুম্বা বিল অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিবু থুগাইবা য়ারোই।

অৱাং নোংপোক লমদমদা বিল অসিগী মায়োক্তা কন্না হৌরবসু হৌখিবা জনুৱারী ৮ দা লোক সভাদা বিল অসি পাস তৌখিবনি। অদুবু রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌবা ঙম্নবগী মশীংশুবা ঙমদবদগী বিল অদু পুথোকপা ঙমখিদবনি।

মে তাদা ১৬ শুবা বিলগী মতম লোইখিবগা লোয়ননা বিল অদু পালস ওইখিবনি। অদুবু হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম অসিদা পুথোক্লবা বিলশিংগী লিষ্টতা য়াওরবনি।

# ম্যান্মারদা কেমিকেল ৱেপনগী ষ্টোক পিল লৈরমখিগনি

হগ, নবেম্বর ২৬ ঃ

ম্যান্মারনা গ্রোবেল কনভেন্সন বেন্নিং কেমিকেল ৱেপনগী চৎন কাংলোন থুগাইরে। লৈবাক অসিদা ১৯৮০ দগী হৌনা কেমিকেল ৱেপন ষ্টোক পিল অমা লৈরমখিবা য়ারি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবা মষ্টর্দ গ্যাস পুথোকপগী খুদোংচাবা লৈরি হায়না ওর্গনাইজেসন ফোর প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপনগী চহীগী মীটিংদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র ওফিসার অমনা হায়খ্রে। ম্যান্মার অসি কেমিকেলগী খূৎলায় পুথোকপা, পৈদুনা থম্বা অমদি শিজিন্নবদা অথিংবা থম্বা কেমিকেল ৱেপন কনভেন্সনদা ওফিসিয়েল ওইনা ২০১৫ দা য়াওখ্রবনি। অদুবু ম্যান্মারদা ১৯৮০ দা সলফর মষ্টর্দ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমদি কেমিকেল প্রদক্সনগী খুদোংচাবা ১৯৮০ দা লৈ হায়না ৱাশিংতোন্না ম্যান্মারদা পাউ পীখিবা লৈরে হায়না য়ু এস কী ওফিসিয়েল অসিনা হায়রি।

ম্যান্মারদা হান্নদগী অসিগুম্বা খূৎলায়শিং শিজিন্নে হায়বগী মরাল শিবা লৈরিবনি। প্রিলিমিনরি রিপোর্ট অমদা ২০১৩ দা পুলিসনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা প্রিশাইগী ঘোনিদা ইরাং হৌবশিংগী মথক্তা ফোসপরস শিজিন্নদুনা অশোক অপন নংহনখি হায়রি।

জুলাই ২০১৪ দা ম্যান্মারগী জর্নেলিষ্ট মঙাবু মিলিটরিনা কেমিকেলগী খূৎলায় শিজিন্নে হায়বা আর্টিকল ইরুবগীদমক্তা চহী ১০ কৈশুমশঙদা থমখি। হৌখিবা চহীদসু ক্বাসি সিভিলিয়ান গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা কাচিন লানহৌবশিংগী মথক্তা কেমিকেলগী খূৎলায় শিজিন্নখি।

য়ু এস ওফিসিয়েল অসিনা হায়, ৱাশিংতোন্না ম্যান্মারগী সিভিলিয়ান গভর্ণমেন্ট অমদি মিলিটরিদা ৱাফম অসিগী মতাংদা খঙহনবগা লোয়ননা পাংবা য়াবা মতেংসু পাংগে হায়বগী থাজবা পীবা লৈখ্রে।

সিভিলিয়ান লিদর উং সান সু কি সু দিসেম্বর থাদা হগতা লৈবা ইন্টর্নেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা চৎতুনা ম্যান্মারদা পাকতক্লনা মীহাৎ মীপুন চত্থবগী কেস অমা থেংনবা চৎকদৌরিবনি।

# শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ...

*লমায় ১গী মখা*নাইরবা কলচর অমসুং ট্রেদিসনশিং, হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফশিং অসি উৎপগা লোয়ননা লমদম অসিদা লাক্লিংবা ফাওহন্নবা মফম অদু খঙহনবদা মতেং ওইগনি হায়খি।

মহাক্না হায়,দিল্লিদা হাংদোকপগুম্না গুৱাহাটিদা স্কিল দিভলপমেন্টকীদমক ইনফোর্মেসন সেন্টর অমা অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি। মসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং অসি স্কিল দিভলপমেন্টকী ইনফোর্মেসন লৌনবগীদমক দিল্লিদা চৎত্রবসু য়ারগনি হায়খি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংবু লৈবাক অসিগী অতৈ ষ্টেটশিংগা হেন্না নকশিন্ননবা অমদি অফবা মরী শাগৎনবা থৌরম অসি পাঙথোকপগীদমক শিনলি লাঙলিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা অৱাং নোংপোকপু অসিয়ান লৈবাকশিংগী লমথুংফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবা অমদি থবক পীনবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন অদু মায় পাকহনবদা মতেং ওইরগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# হেল্দি বেবী সো কম্পিটিসনদা ইরাং ...

*লমায় ১গী মখা...*অমগা পুন্না অঙাং ৪ খল্লে হায়রকখি। অহানবা খনখ্রবা অঙাংশিং অদুগী মমা মপানা হান্নগী রিজল্ট অদুনে অনৌবা রিজল্ট অদুনা য়েংগে হায়বদা ওফিসিয়েলশিংগা খোন কনখৎনরকখি। পাউ অদু তাবদগী হেল্ড এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তর কে রাজো মশা লাক্তুনা দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগী অশোয়বা লৈখ্রে। ষ্টেট লেভেলগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসিদা হান্না খনখ্রবা অমদি নৌনা খল্লবা অঙাং ৬ মক শরুক য়াহন্দুনা লাইবক য়েংহল্লসি হায়খি। অদুবু হান্নগী অঙাং অহুমগী মমা মপানা লাইবক য়েংহনবা য়ারোই। লৈখায় তানা ওফিসিয়েল ওইবা অমা লাওথোক্কদবনি। মখোয়গী অঙাংশিং মকোক মথং তাদ্রবসু করিশু কায়দে। অদুবু লান্না নম্ফু হাফুন্দা তৌবদি য়ারোই। মতুংদা অশিগুম্বা অরানবা থৌওং অসি অমুক হন্না থোক্তনবা থবক পায়খৎকনি। লৈখায় তাদ্রিফাওবা ষ্টেট লেভেলগী কম্পিটিসনদা কেটেগোরি এগী ওইনদি কম্পিটিসন পাঙথোকপা য়ারোই হায়না অঙাংশিংগী মমা মপানা আই এম এ হোলদা থোমজিনখি। অদুবু কেটেগোরি বি অমদি সিগী কম্পিটিসনগী ফল লাওথোক্তুনা মনা পিবা লোয়খ্রবা মতুং ইখঙ খঙহৌদনা শিল্লি লাংলিবশিংনা কেটেগোরি এগী মনা পীনবগীদমক লাওথোরকপা চরাংনবা থোকপদগী থৌরম অদু কায়খি। শিল্লি লাংলিবশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি রিজল্টশিং চেক তৌরবা মতুং কোন্না পীরগনি হায়না লাওথোরকপদা পীগদৌরিবা মনা অদু ষ্টেট লেভেল ওইদৌরিবরা নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওইদৌরিবরা হংনরকপদগী থৌরম অদু মখা চত্থবা লেপখি। তুংদা শিল্লি লাংলিবশিং খন্নরবা মতুংদা কেটেগোরি এগী ওইনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মনাগীদমক অঙাং অনী অনী খনগৎলগা পুন্না অঙাং ৬তা মনা পীরগা থৌরম অদু লোয়শিনখি।

# সঙাই ফেষ্টিভেল...

*লমায় ১গী মখা...* লোয়ননা ফোরেন কন্ট্রিশিংদগী লাক্তুনা ষ্টোল ফম্লিবা মীওইশিং অদুনা লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মখোয়সু নুংঙাইতবা ফাওই, লৈবাক অসিগী মচাসু নত্তবনিনা হীরম অসিদা হায়নিঙাই থোইনা লৈতে। অদুবু মতম চঙনা থাপ্লবা মফমশিং অদুদগী লমদম অসিদা লাক্লিবা মীওইশিং অসিবু মণিপুর মীয়াম্না অমদি লৈঙাক অসিনা নুংশিবীয়ু হায়না আপিলসু তৌরক্লি। হৌজিক মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিনা মরম ওইদুনা মথং চহীশিংগী সঙাই ফেষ্টিভেলশিংদা শরুক য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা হায়বা তম্বা ঙমদ্রি হায়খি।

# অমিত শাহগী ৱাফম খন্ননবা নবেম্বর ২৯ দা মীয়ামগী...

*লমায় ১গী মখা...*অদু মণিপুর মীয়ামদা তমজবা য়ানবা অইবা চেরোল অমা ওইনা পীবিনবা তকশিনখি। মদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী মদুমক্তি কনামত্তদা পীখিদ্রি হায়দুনা হায়রকপগা লোয়ননা পীরকখিদে।

কুমজা ২০১৫দগী ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সি এন-আই এমগী মরক্তা খঙহৌদনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা মণিপুর মীয়াম অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওইনা করিগুম্বা অমত্তা খঙহনলক্তনা লাকখিবা অদুগী মরক্তা পীছ টোল্ক অসিগী নেগোসিয়েটিং পার্টিশিংগী মায়কৈদগী মণিপুর মীয়াম্না য়াদবা ৱাফমশিং ঙাইহাক লৈতনা কাঙথোরকখিবা অমদি ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি মশা য়াওনা নেসনেল অমদি লোকেল মেদিয়াশিংদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদুদা হোম মিনিষ্ট্রিনা শেঙদোকপীরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী থাজদবগী চাং অসি হেনগৎলকপনি।

মদুতা নত্তনা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮ গী ইহৌনা মণিপুরগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ফাওবা অমাং অতা থোকহনখিবা লৈখ্রবা মতুংদা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা অটল বিহারি ভাজপায়না বেঙ্কোক এগ্রিমেন্টতা য়াওখিবা সিজ ফয়ার ৱিদাউঠ টেরিটোরিয়েল লিমিট অদু লৌথোক্লবা মতুংদা মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকখিবগী ৱাফম থমখি।

লোয়ননা সিজ ফয়ার অসি নাগালেন্দ খক্তদা চৎনগনি হায়না হায়খিবা অদু ঙসিদি পিছ টোল্ক অসিদা মণিপুরগী নাগা তাবা মফমশিং চেন্নরক্লিবা অসিদা তাকপদি হায়দোকখিবা ৱাফমশিং অদু ঙাক্তবনি হায়না মীয়াম্না ফাওই। অসিগুম্বা মরম ময়াম অসিনা মীয়াম্না থাজদবগী চাং অসি ৱাংখৎলকপনি। মরম অদুনা অইবা চেরোল ওইনা পীবিনবা হোম মিনিষ্টরদা তকশিনবনি হায়না কোকোমিনা থমখি হায়রি।

উন্নবা অদুদা য়াওখিবা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোসনা লৈবাক্কী অচৌবা ফম্নাইবশিং অমদি কোকোমিগী মীওই ১৮ গী মমাঙদা হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীবা অসিদা থাজরোইদবগী মরম করি লৈবগে হায়না হায়রকখি।

কোকোমিগী মায়কৈদগী চিন্নখক হায়রগা অইবা পীদ্রবদি মণিপুর মীয়াম্না থাজবা ঙল্লোই হায়বদা মণিপুরগী মীয়াম্না কোকোমিনা হায়বদা থাজদ্রবদি কনানা হায়বদা থাজদোইনো হায়রকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা নখোয়দা হায়রিবা ৱাফম অসি নখোয়না অমদি নখোয়গী লৈঙাক্না মীয়ামদা থাজবা পীনবা হোৎনফম থোক্তব্রা হায়না হায়রকখি হায়রি।

ৱাফমশিং অদু তারবা তুংদা ৱাফমশিং অসি পেম্থোক্লিঙাই ওইদে হায়না লৌবগা লোয়ননা পীছ টোল্ক অসিগী মতাংদা মণিপুর মীয়াম্না লায়থোকপদি চুমদে হায়না হোম মিনিষ্টরদা থল্লমখি হায়রি।

মরম অসিনা কোকোমিনা অথুবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী মীফম অসিনা ৱারেপ্নদ্রিবা ফাওবদি কোকোমিনা চত্থরকপা খোঙজংশিংদা অহোংবা লৈখিরোই তৌবতবু মীয়াম্না সিম্বোলিক ওইবা খোঙজং তমক চংশিনবীয়ু কাঙলুপ ফুরুপ নাইবা অমদি য়ৈখাই থিনগায়বা মখলগী থৌওং থৌশিলশিং তৌবিদনবা আপীল তৌখি।

নবেম্বর ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী মীফম অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না শরুক য়াবিদুনা লৈবাক্কী ওইবা ৱারেপ লৌমন্নিনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না আপীল তৌরি।

ঙরাং নুমিদাং হোম মিনিষ্টরগা উন্নবা অদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম জি কিষন রেদ্দি, বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোস, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরী অজয়কুমার ভালা, জোইন্ট সেক্রেটরী হোম (নোর্ঠ ইষ্ট) সত্যেন্দ্র গর্গ, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ, এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রত্ত অমদি এম এল এ এল রামেশ্বরসু শরুক য়াখি।

# কন্সটিট্যুটসন খঙমীন্নবগী তঙাইফদবা ...

*লমায় ১গী মখা ...* সোভেরেন্ট, রিপব্লিক ওইবা লৈঙাক্লি হায়না প্রিএম্বলদা য়াওরি। মসি মতমগী মহোংবা লাকপনা তঙাইফাদবা অমগী মতুং শেমদোক শেমজিন তৌরি। কন্সটিট্যুটসন অসিদগী মীওইবা অমগী ফঙফম থোকপনচিংবা খুদিংমক লাকপনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙগদবনি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না কন্সটিট্যুটসন অসিবু মমুৎ তানা খঙবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাবা অমনি।

কন্সটিট্যুটসন অসি লৈপাক অমগা অমগা খেননৈ। অতোপ্পা লৈবাক্কীসু খঙজিনবা ফৈ। অতোপ্পা লৈপাক্কী কন্সটিট্যুটসনদা য়াওদবদা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুটসনদা ডাইরেক্টিভ প্রিন্সিপাল ওন ষ্টেট পোলিসি হায়বসি য়াওরি। মসিনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুটসন অসিগী তোঙানবা মশক অমা ওইরি। সোসিয়েলিষ্ট ৱেলফেয়ার ষ্টেট অমা ওইগে হায়বা তারগদি ষ্টেট অদুদা তোঙানবা ডাইরেক্টিভ অমা ষ্টেট অদুদা পীবা মথৌ তারকপদগী ডাইরেক্টিভ প্রিন্সিপাল ওন ষ্টেট পোলিসি অসি হাপ্পনি। মখল কয়াগী তোখায়বা মশক লৈবা লৈবাক অসি হায়রিবা কন্সটিট্যুটসন অসিগী মখাদা লৈরিবনি। মসিগীদমক কন্সটিট্যুটসন অসিবু শেম্বীরল্লিবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংবু থাগৎফম থোকই। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না কন্সটিট্যুটসন অসিবু মমুৎ তানা খঙবগা লোয়ননা ঙাক্না চৎপা ঙম্নবা মতমদা ঐখোয় অফবা সিটিজেন অমা ওইবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা য়ূম অমা পানবা মতমদা চৎনবী অমা লৈবগুম লৈপাক অমা লৈরবদি মসিগী কন্সটিট্যুটসন হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। লৈঙাক্লোন অমদা লৈঙাক্লোন অদুবু শেম্ননবা কন্সটিট্যুটসন অসি লৈবনি। কন্সটিট্যুটসন অসিবু ঙাক্লা চৎপা হায়বসি ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমা ওইনা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা থৌরমগী চীফ গেষ্টনা লুচিংদুনা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুটসনগী প্রিএম্বল পাথোকখি। লোয়ননা অহানবা ওইনা কন্সটিট্যুটসন অসিগী ইংলিশ অমদি মৈতৈলোনদা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফিসরি মিনিষ্টর এন কয়িসি, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙখালিয়ান, ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল এম খৌটে অমদি অতোপ্পা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।